# থবক অমত্তা চত্থদনা রাজ্য সভা এদজোর্ন তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২০ঃ***

ঙসি রাজ্য সভাগী মীফম হৌরবা মতূং থুনমক তামিল পার্টিশিং– এ আই এ দি এম কে অমসুং দি এম কেনা কাবেরি তুরেল ৱাথোক্কী মতাংদা হাউসকী ৱেলদা থোমজিলকখিবা, ওপোজিসন কংগ্রেসনসু রাফেল জেট লৈবগী মতাংদা জোইন্ট পালিয়ামেন্টরি কমিটি (জে পি সি)না থিজিলহন্নবগী দিমান্দ তৌরদুনা খোল্লাও লাওশিলকখিবগা লোয়ননা হাউসকী মীফম চত্থবা য়াদবদগী এদজোর্ন তৌখ্রে।



রাফেল দিলগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা গভর্ণমেন্টকী মরান লৈতে হায়না শেঙদোকখ্রবা মতূংদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লাল্লে হায়জনবা ট্রিজরি বেঞ্চনা কংগ্রেস কী ময়োক্তা খোল্লাও লাওখি।

রাজ্য সভা চিয়ারমেন এম ভেনকয়া নাইদুনা মেম্বরশিংনা হাউসপু থবক তৌবা য়াহনগদবনি অমসুং ৱাথোক পূম্বা খন্নগনি হায়খি। রাফেল দিলদা নোটিস অমা পীখ্রে। ঐখোয়না মদুসু খন্নবা য়াই। রাফেলগী মতাংদা খন্নবদা অথিঙবা অমত্তা লৈতে হায়না অইবা ওইনা গভর্ণমেন্টনা পীখ্রবনি হায়খি।

লৈবাক পূম্ব হাউসকী তৌরিবা থবক মতৌ অসিদা নুংঙাইতবা ফোঙলে। লৈবাক পূম্বনা য়েঙলিবনি হায়না হাউসকী চিয়ারমেননা ঙসি নোংমগী ওইনা প্রোসিদিং এদজোর্ন তৌবগী মমাঙদা হায়খি।

# বেঙ্গলদা বি জে পিবু রথ যাত্রাশিং চংপা য়াহন্নবা কোর্টনা ষ্টেটতা খঙহনখ্রে



***কোলকতা, দিসেম্বর ২০ঃ***

মথঙ চহিগী জেনরেল ইলেক্সনগী মাংওইননা বেঙ্গলগী মায়কৈ কয়াদগী লাকপা য়ারিবা বি জে পিগী রথ যাত্রা ৩ অদু ঙসি কলকতা হায় কোর্টতগী য়াবগী ইঙ্গিৎ অমা ফঙখ্রে।

অদুগুম্বা যাত্রাশিং অদুনা কাংলূপ মশেনগী উংখৎনবা থোকহগনি হায়রদুনা মমতা বেনরজিগী গভর্ণমেন্টনা থমখিবা অথিংবশিং অদু কোর্ট অসিনা ককথৎখি। লো এন্দ ওর্দরদা অকায়বা অমত্তা থোকহন্দনবা এদমিনিষ্ট্রেসনদা খঙহনখি।

রেলি অদুগী পার্মিসন পীযু য়াখিদবা কোর্ট অসিগী হান্নগী ৱায়েল অমবু দিবিজন বেঞ্চকী জজ মেন অসিনা শেমদোকখি। পার্মিসন পীযু য়াদবা অদুনা ষ্টেট বি জে পিনা অমুক হন্না অপিল তৌরকখিবনি।

ৱায়েল অদুগী মতাংদা ষ্টেট বি জে পিদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অরুন জেতলিনা ত্বিটরদা– করিগুম্বা বি জে পি গভর্ণমেন্টগী ওপোজিসন। থৌরম অমা থিংলম্বা তারবদি মদুবু অনদিক্লিয়ার ইমর্জেনসি অমনি হায়রমগনি হৌজিক করিগী তুম্মিন্না লৈগদৌরিবনো হঙখি।

বি জে পিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সেফ দেমোক্রেসি কৌবা রেল্লি ৩ পাংথোক্লবা থৌরাং তৌখি। ষ্টেট অসিগী অৱাংথংবা শরুক কুচ বেহারদগী ১, অৱাং খমথেঙবা শরুক কাকদ্বিপতগী ১, অমসুং বির ভুম দিষ্ট্রিক্টকী পীথা টেম্পলদগী ১ পূন্না ৩অসিনা পাকচাওরবা মীফম অমগীদমক কোলকতাদা পুল্লগদৌরিবনি।

বি জে পিনা পান্দবা ষ্টেট কয়াগী মনূংদা অমা ওইরিবা বেঙ্গলগী লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েনসি ৪২মক রেলিশিং অসিনা কোনশিল্লবা য়াই। পার্টি অসিনা ষ্টেট অসিদা মখোয়গী খোঙদাফম পাকথোক চাওথোহন্নবগী অশা তৌরিবনি।

হায়রিবা মীয়ামগী খোঙচৎশিং অদুগী মনূংদা খোঙচৎ অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু শরুক য়ানবা ষ্টেট অসিদা লাকপা য়াই হায়না থাজনরি।

মথঙ চহিগী নেসনেল ইলেক্সনদা বি জে পিনা সিট ১২ পান্দম থম্লি হায়রিবা পার্টি চীফ অমিত সহানা ষ্টেট অসিদা পার্টিনা খূৎমাং চাওশিলক্কদৌরে হায়বগী অকি–তুজুং পোকপদগী বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা যাত্রাশিং অদুগী অয়াবা পীদনবা হোৎনবনি হায়খি।

বি জে পি চীফ অসিনা ষ্টেট অসিদা রথ যাত্রাশিং অদু কনাগুম্বা অমত্তনা থিঙবা ঙমলোই হায়নসু ৱার্নিং তৌখি।

অমরোমদা মমতা বেনরজিগী নক্লবা অমসুং ট্রিনামুল কংগ্রেস লোমেকর দেরেক ও'ব্রিয়েনা ঙরাং ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী সিট ২খক্তমক লৈ হায়না খুদোম্বী থিন্দুনা বি জে পিনা মঙলিবা মঙলান অদু করেন্নখি।

বি জে পিগী রথ যাত্রাশিং অদুগী নোংঙানবদা ষ্টেট লৈঙাক পায়রিবা ট্রিনামুল কংগ্রেসনা শেঙদোকপগী খোঙচৎ – পবিত্রা যাত্রা অমা চৎকদৌরি। বি জে পিগী রথ যাত্রাশিং অদুবু রাবন যাত্রাশিং হায়রদুনা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনরজিনা মখোয়না চৎখিবা মফমশিং অদু শেঙদোকপগী মথৌ তাই হায়খি।

# ভোটিং মেছিনশিংটেম্পর–প্রুফনিঃ চীফ ইলেক্সন কমিস্নার

***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২০ঃ***

পোলিটিকেলগী মশান্নদা ইলেক্ট্রোনিক ভোতিং মেছিন (ই ভি এম)শিং অসি অমনা অমুক কাউ, অমনা অমুক কাউবা ফুটবোল অমগুম্বনি হায়রদুনা চীফ ইলেক্সন কমিস্নার সুনিল অরোরানা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেচিনশিং টেম্পর তৌবা ঙমদবা পোৎশক্নি হায়না ঙসি অমুক্কা হন্না চেৎনা ফোঙদোকখ্রে।



মীখলগী ভোত থাদরিঙৈগী মনূংদা ই ভি এম য়াদবনাচীংবগী থৌদোকশিং থোকহন্দনবা কমিসন্না কন্না হোৎনরি হায়নসু মহাক্না হায়খি।

পাউগী এজেনসি পি টি আইগা উন্নবা অমদা মহাক্না হায়খি, ঐখোয় পেন্দে ই ভি এম য়াদবগী থৌদোকশিং অমফাওবা থোকহন্দনবা ঐখোয়না লেপ্তুনা থবক পায়খৎলি।

হান্নগী ব্যারোক্রেদ মিষ্টর অরোরা ২০১৭ অগষ্ট ৩১দা ইলেক্সন কমিস্নার অমা ওইনা হাপখিবনি। ওম প্রকাস রৱদনা চীফ ইলেক্সন কমিস্নারগী ফমদগী পোত্থখ্রবা মতূং চহি অদুগী দিসেম্বর ১দা চীফ ইলেক্সন কমিস্নার ওইনা মহুত শিলহৌবনি।

টেম্পরিং মেল ফঙসন্নিং হায়বসি তোঙান তোঙানবা থৌওংশিংনি। টেম্পরিং হায়বসি অতন্ননা চত্থবা থবক্লি অদুগা মেল ফঙসন হায়বসিদি হেক্তা থোকপা য়াই হায়না মহাক্না হায়খি।

হন্দক এসেমব্লি মীখলশিং পাংথোকখিবা ষ্টেট ৫দা পোল্লিং বুট লাক্ষ ১.৭৬ লৈখি। মদুদা ই ভি এম মেল ফঙসনিংগী থৌদোক য়ান্না লিক্লা থোকখি। চাদা ১গী চাং ফাওবা য়ৌখিদে হায়না মিষ্টর অরোরানা হায়খি।

ই ভি এম হায়রিবা অসি ভোতশিং রেকোর্ট তৌবা সুপ্নগী মেছিন অমনি মসি প্রোগ্রাম তৌবা য়ারোই হায়না মহাক্না হায়খি।

লৈবাক অসিনা বেলোদ পেপরদা অমুক হঞ্জিন্দনবা হোৎনবা হায়বসি ইলেক্সন কমিসনগী ফিরেপনি। ঐহাক্না ঙসিসু ফিরেপ অদু অমুক্কা হন্না চেৎনা লেপ্লি হায়না চীফ ইলেক্সন কমিস্নার অসিনা হায়খি।

চীফ ইলেক্সন কমিস্নার সুনিল অরোরাগী মখাদা কমিসন অসিনা ২০১৯ জেনরেল ইলেক্সন অদু পাংথোক্কদৌরিবনি। লোক সভা মীখল দনৎতনা জম্মু এন্দ কাস্মির, ওরিষ্য, মহারাষ্ট্রা, হরিয়ানা অন্ধ্র প্রদেস, অরুনাচল প্রদেস অমসুং সিকিমগী এসেমব্লি মীখলশিংসু মথঙ চহিদা পাংথোক্কদৌরি।

ঐখোয়না লোক সভা মীখলগী সামিন লাকপা হৌরে হায়বা খংঙি মসিগীদমক মনূংগী ওইবা থৌরাংশিং মতম খরগী মমাঙদগী হৌনা তসেঙনমক হৌখ্রে। মসি মায়কৈ অমসুং হিরম পূন্নমক্তা চেকশিন্না থৌরাং তৌনবা ঐখোয়না হোৎনগনি হায়খি। ইলেক্সন কমিসন্দা লৈরিবা কলিক পূন্নমক অসিনা পোলিটিকেল পার্টিশিং সিভিল সোসাইটিগী মেম্বরশিং, এনজিওশিং, মেদিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী লোক সভাগী মীখল অসিগা মরুওইবা থৌরম অসিদা হকথেঙননা মরিলৈনরিব পূন্নমক অদুদগী থম্মোই শেঙনা তেঙবাংলকপা অদু ঐখোয়না পাম্মী হায়না মহাক্না হায়খি।

# বি এস এফ ওফিসার সুইসাইদ তৌখ্রে

***জম্মু, দিসেম্বর ২০ঃ***

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুঞ্চ দিষ্টিক্টতা লাই ওফ কন্ট্রোল মনাক্তা ঙরাং য়ুশকৈশা নুমিৎতা বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)জুনিয়ার ওফিসার অমা মশা মতোমতা নোংমৈ কাপশিজদুনা শিজখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মেনধার সেক্টরগী সৱা এরিয়াদা বঙ্কর অমগী মনূংদা এসিষ্টেন সব–ইনস্পেক্টর সতপাল জসৱালনা দিয়ুটি তাদুনা লৈরিঙৈদা মহাক মশা মতোমতা নোংমৈনা কাপশনজখিবনি। হোস্পিটালদা মহাকপু পুখৎখি অমদুবু হোস্পিটালদা থুঙলখিবা মতম অদুদা মহাক শিরে হায়না দোক্তরশিংনা লাওথোকখি হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

# বিচ মনাক্তা বৃটিস টুরিষ্ট রেপ তৌখ্রে

***পনাজি, দিসেম্বর ২০ঃ***

ঙসি অয়ুক অঙনবদা গোৱাদা বিচ অমা তন্না লাকখিবী মশাগী চহি ৪৮ শুরবী বৃটিস টুরিষ্ট নুপী অমা রেপ তৌখ্রে হায়না পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু পনাজিদগী কিমি ১০০ রোম লাপ্পা কানাকোনা তাউন্দা অয়ুক পূং ৪ রোম তাবদা শকখঙদবা নুপা অমনা লম্বী নাকনগী লবুক অমদা চীংশিলগা রেপ তৌখিবনি হায়রি।

# পোলিটিকেলগী ৱাথোক লোয়শিনবা শ্রীলঙ্কা প্রসিদেন্টনা অনৌবা মেম্বর ৩০গী কেবিনেট হাপখ্রে

***কলম্বো, দিসেম্বর ২০ ঃ***

শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট মায়ত্রিপলা সিরিসেনানা মহাক্কী প্রাইম মিনিষ্টরগা চয়োল ৭ শক্তি মুন্নখিবা অদু লোয়শিনবা অদুগা পুলিসকী থবক কনানা পায়গদগে হায়বগী অরোইবা মুক্লবা অমগী মতূং খক্তদা ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা মেম্বর ৩০ লৈবা কেবিনেট অমা হাপখ্রে।



*প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিংঘে*

সিরিসেনানা পার্লিয়ামেন্ট দিজোর্ল তৌনবা অমসুং মীখল ঙন্না পাংথোক্লবা হোৎনখিবা অদু সুপ্রিম কোর্টনা ককথৎলকখ্রবগী মতূং নোংমাইজিং নুমিৎতা মহাক্না রানিল ৱিক্রেমেসিংঘেবু অমুক হন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনখি।

প্রসিদেন্টনা মেদিয়া অমসুং পুলিসকী থবক পায়দুনা লৈবা পাম্বদগী কেবিনেট শেম্বগী থবক মতম থেঙথরকখিবনি হায়না অনৌবা কেবিনেট অমা লাওথোক্লদুনা গভর্ণমেন্টকী ৱাংলোই রজিথা সেনরতনেনা হায়খি।

প্রসিদেন্ট রিরিসেনানা মেদিয়া মিনিষ্ট্রি থাদোকপা য়াখি অদুবু মতম খরহেন্না শাংনা পুলিসকী থবক পায়দুনা লৈখিগনি। অনৌবা কেবিনেট অসিদা লো এন্দ ওর্দর মিনিষ্টর লৈত্রি। দিফেন্স মিনিষ্টর ওইনা থবক তৌরমখিবা প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা পুলিসকী দাইত্ব লৌখিগনি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং ফোরেন মিনিষ্টরগী মরুওইবা ফমশিং অসি ৱিক্রেমেসিংঘেগী মুথৎখ্রবা গভর্ণমেন্ট অমদগী হোঙদনা লৈরগনি। মঙ্গলা সমরাৱিরানা ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং তিলক মরাপানানা ফোরেন মিনিষ্টর ওইনা লৈখিগনি।

নেসনেলিষ্ট ফয়ারব্রেন মহিন্দ রাজাপক্সবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনবা প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা ৱিক্রেমেসিংঘেবু প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদগী লৌথোক্তুনা ওক্তোবর ২৬দা পোলিটিকেল ৱাথোক অসি থোকহল্লকখি। অদুবু মহাক্কী মেজোরিটি লৈতবা লেজিসলেচরদগী য়ানীংদবা অমসুং শ্রীলঙ্কা কোর্টনা য়াদবদগী মহাক্না খোঙফম হন্দোক্লকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা ৱিক্রেমেসিংঘেবু মাগী হান্নগী থবক অমুক হন্না পীরবগী মতূং থুনমক সিরিসেনানা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিগা থবক তৌমিন্নবা অরুবা ওইব য়াই হায়না ময়েক শেঙনা হায়খি।

রানিল ৱিক্রেমেসিংঘেবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইহল্লোইদবনি হায়বসিদা হৌজিকসু থাজরি, অদুবু পালিয়ামেন্টতা মেজোরিটিগী অনীংবশিং অদুদা কোকনোনবা তাবনি হায়না প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা হায়খি। অদুবু ঐখোয়গী মীয়ামগী অনীংবশিং অসি ঐখোয়না কদাই ফাওবা মায় পাক্না মপূং ফাহনবা ঙমগদগে হায়বা ঐ খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু মখা তাখি।

মাইথ্রিপলা সিরিসেনানা ৱিক্রেমেসিংঘেগী য়ুনাইটেদ নেসনেল পার্টি (য়ু এন পি)গী মতেঙগা লোয়ননা ২০১৫দা শক্তি পায়রকখিবনি অদুবু মখোয় অনীগী মনূংদা লনাই অমসুং পোলিটিকেলগী মুক্লব নামরম ওইদুনা ওক্টোবর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর ফম লৌথোকপগী থৌদোক অদু য়ৌরকখি।

মশাগী চহি ৬৯ শুরবা ৱিক্রেমেসিংঘেনা শ্রীলঙ্কাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাজাপক্সনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা হায়বদু য়াখিদে। মদুদগী লৈবাক অসিবু প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম মুন্নবা মীওই অনীগী মুক্লবা অমসুং থবক তৌদবা গভর্ণমেন্ট অমগী লৈবাক ওইহনখি।

পার্লিয়ামেন্টকী অকনবা মীফমশিংদা রাজাপক্সগী ময়োক্তা ৬রুকহন্না ভোত পীদুনা শ্রীলঙ্কা পার্লিয়ামেন্টনা ৱিক্রেমেসিংঘেগী ফিরেপ, মহাকপু লৌথোকখিবা অদু আইনগী ময়োক্তনি হায়বদু শৌগৎখি।

# অহানবা ওইনা নেপালদা রেপ কনভিক মপূন্সিগী জেলদা থাজিনখ্রে

***কাথমান্দু, দিসেম্বর ২০ ঃ***

ইহান হানবা অমা ওইনা নেপালগী দিষ্ট্রিক কোর্ট অমনা রেপকী মরাল ফঙলবা কনভিক অমবু ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মপূন্সি চুপ্পা জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীখ্রে।

কাস্কি দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা লৈবাক অসিগী পোখারাদা অঙাং নুপীমচা অমা রেপ তৌবা অমসুং হাৎপগী মরালশিংদা মশাগী চহি ২৭ শুরবা কুসুম পৌদেলদা চৈরাক অদু পীখি।

# য়ু এসনা টর্কিদা বিল্লিয়ন ৩.৫কী পেট্রিওৎ মিসাইল য়োল্লগনি



***ৱাসিংতন, দিসেম্বর ২০ঃ***

টর্কিনা রসিয়াদগী এস–৪০০ মিসাইলশিং লৈনবা তৌরম্বা থৌরাংশিং অদুগী মতাংদা য়ু এসনা অশাওবা ফোঙদোকখিবা অদুগী মতূংদা টর্কিদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৩.৫কী পেট্রিওৎ মিসাইলশিং য়োন্নবা ঙরাং অয়াবা পীরে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফোঙদোকখ্রে।

পেট্রিওৎ মিসাইল ৮০ অমসুং পি এ সি–৩ মিসাইল ইন্টরসেপ্টর ৬০ অমসুং মরিলৈনবা ইক্যুপমেন্ট য়াওবা পেট্রিওৎ পেকেজ অমা টর্কিদা য়োনবগী থৌরাং অদু ষ্টেট দিপার্টমেননা কংগ্রেসতা পাউ খঙহনখ্রে হায়না দিপার্টমেন্ট অসিনা হায়খি।

পেট্রেওৎ মিসাইল য়োনবগী থবক অসিনা য়েক্লবনা লন্দারকপগী ময়োক্তা টর্কিগী মিলিটরিনা ঙাক্লবগী থবক হেন্না কনখৎহনবা ঙম্লগনি মদুগা লোয়ননা টর্কিগী ঙমখৈ মনূংদা ট্রেন অমসুং ওপরেট তৌরবা য়ারিবা নেটো এলাইশিংবু ঙাকথোক্লগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

রসিয়াদগী এস–৪০০ মিসাইল লৈনবা অঙ্করানা চহি অমগী মমাঙদা দিল অমা লাওথোকখি। খোঙথাং অদু, সোভিয়েৎ য়ুনিয়নগী ময়োক্তা ঙাকথোক্লবগী ওইনা থৌওইনা শেমখিবা গ্রূপ অমা ওইরিবা নেটোগী এলাইশিংদগী য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা চৈনরকখি। এস – ৪০০ মিসাইল লৈনবগী থবক অদু করিগুম্বা টর্কিনা হৌজিক ফাওবা মখা চত্থরবদি শিংথানীংঙাই ওইরবা এফ –৩৫ ফাইটর জেটশিংগী অতোপ্পা য়ু এস মিলিটরি প্রোগ্রামদা শরুক য়াবদা অপনবা থোকহনগনি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

করিগুম্বা দিল অদু মখা চত্থরবদি য়ু এস লোগী মখাদা দিফেন্সকী পোৎ–চৈ লৈবদা তেসঙ্কসন্সশিংসু টর্কিনা ময়োক্লরবা য়াই হায়খি।


নেটো লৈবাকশিংনা নেটো সিষ্টেমসকা ওন্থোক ওনশিন তৌনদুনা শিজিনবা য়াবা মিলিটরি ইক্যুপমেন্ট লৈবা মরুওই। রসিয়ান সিষ্টেম অমদদি মদু য়াদে হায়খি।

টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়য়িপ এরদোগাননা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পকা টেলিফোনদা ৱারী শানখ্রে শিরিয়াদা তেঙবাংনবগী মতাংদা য়ানখ্রে হায়রদুনা করিগুম্বা মথৌ তারবদি করদিস ফাইটরশিং লৌথোক্লবা মহাক্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱাশকখ্রে।

# দ্রোনশিং উবদগী লন্দনগী গেটৱিক এয়ারপোর্টতা প্লেনশিং লেপখ্রে

***লন্দন, দিসেম্বর ২০ঃ***

ঙসি সশোলশেন নুমিৎকী অঙনবদা লন্দনগী গেটৱিক এয়ারপোর্টকী মথক্তা দ্রোন অনী পায়রকপা উখিবা অমসুং অতোপ্পা দ্রোন অমসু এয়ারপোর্ট অদুগী মনাক্তা উবদগী য়ুনাইটেদ কিঙদমগী অনীশুবা খ্বাইদগী মী চিনবা এয়ারপোর্ট অসিদা প্লেন পাইথোক



পাইশিনগী থবক লেপহনখ্রে।

দ্রোনশিংগী রিপোর্ট অদু থিজিননবা এয়ারপোর্টকী থবক লেপ্পা অদুনা পেসেঞ্জরশিং খুদোঙচাদবা থোক্লিবা অদুদা ওথোরিটিজনা নুঙইতবা ফোঙদোকখি অদুবু অশোয় অঙাম থোকহন্দবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবনি হায়খি।

লন্দনগী খাদা কিমি ৫০ লাপ্পদা গেটৱিকনা লন্দনগী নোংচুপতা কিমি ৩২ লাপ্পদা লৈবা য়ুরোপকী খ্বাইদগী মীচিনবা এয়ারপোর্ট হিথ্রোগা লম্বা তৌনরিবনি।

সনা–সুদোকু – ১৩৬৯ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 5 | 8 | 9 | 1 | 3 | 6 | 4 |
| 9 | 3 | 6 | 4 | 7 | 2 | 5 | 1 | 8 |
| 1 | 8 | 4 | 6 | 3 | 5 | 2 | 9 | 7 |
| 5 | 6 | 1 | 2 | 8 | 9 | 7 | 4 | 3 |
| 3 | 4 | 8 | 7 | 1 | 6 | 9 | 5 | 2 |
| 7 | 2 | 9 | 3 | 5 | 4 | 1 | 8 | 6 |
| 6 | 9 | 3 | 1 | 2 | 8 | 4 | 7 | 5 |
| 4 | 5 | 2 | 9 | 6 | 7 | 8 | 3 | 1 |
| 8 | 1 | 7 | 5 | 4 | 3 | 6 | 2 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1370**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 6 | | 1 | 3 | 2 | | |
| 1 | | | 6 | | | 7 | 4 | |
| | 8 | | 9 | | | | 1 | 6 |
| 6 | 2 | | | | 7 | 1 | | |
| | 4 | 7 | | 6 | | 8 | | |
| 9 | 1 | | | | 2 | | | 7 |
| 7 | | 4 | 1 | | | | 6 | |
| | | 2 | 7 | 4 | | | | |
| | | 1 | | | 6 | | | 3 |


## ꯑꯔꯖꯦꯟꯇ ꯋꯥꯟꯇꯦꯗ/URGENTLY WANTED

| POST | VACANCY | PREFER | SALARY |
|---|---|---|---|
| Helper/Nannies | 50 | Meitei / Tribal | 3500-5500 |

**Contact no. : 9862780781 & 8416065510**

**Time : 10:00 a.m. - 4:00 p.m.**

*SL/1194/Upto 24 December2018*


## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking upto : 25/10/18
Valid from : 23/10/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Athokpam Indane Wangjing & Khongjom**
Booking upto : 29/10/18
Valid from : 18/10/18
Stk :612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking upto : 23/10/18
Sl. No. : 4950
Valid from : 19/10/18
Sl. No. : 4311
Stok : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking upto : 17/11/18
Valid from : 17/10/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Porompat Indane Gas**
Booking upto : 16/11/18
Valid from : 23/10/18
Stk : 288
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**M. M. Gas (Rs. 926.50)**
Booking upto : 06/11/18
Valid from : 30/10/18
Stk : 306, 5kg & 19kg Avel
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**K & K Indane Service (Rs. 926.50)**
Booking upto : 27/11/18
Valid from : 16/11/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking upto : 01/11/18
Valid from : 24/10/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**R B D Gas**
Booking upto : 10/11/18
Valid from : 02/11/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Heran Velley Gas Kwakta**
Booking upto : 28/09/18
Valid from : 16/09/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Labodara Gas**
Booking upto : 26/11/18
Valid from : 13/11/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Phayeng Gas**
Booking upto : 05/12/18
Valid from : 27/11/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**J Rongmei Gas Wangoi**
Sl. No. : 26271 to26550
Time : 06.30 to 09.30 a.m.
Stk : 306

**Patsoi Gas**
Booking upto : 05/10/18
Valid from : 30/09/18
Sl. No. :30
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Khoripha Gas, Nambol**
Booking upto : 27/10/18
Valid from : 25/10/18
Sl. No. :955029883
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m.